



# কাবুল হোস্পিটালদা পাকিস্টানগী এটেকতা য়ামদ্রবদা মীওই ৪০০ শিখ্রে, ২৫০ রোম শোকখ্রে



কাবুল, মার্চ ১৭ (এজেন্সি) :

অফগানিস্টানগী কোনুং কাবুলদা লৈবা হোস্পিটাল অমদা পাকিস্টাননা নোংথক্তগী এটেক চথরকখিবদা য়ামদ্রবদা মীওই ৪০০ শিখ্রে অমসুং ২৫০ রোম শোকখ্রে হায়না টালিবান ৰাঙাংলোই অমনা লৈবাকপোকপগী অঙনবদা হায়খ্রে।

অফগানিস্টানগী দিপুটি গভর্ণমেন্ট ৰাঙাংলোই হমদুল্লাহ ফিট্রাতনা নুমিদাং পুং ৯ লোম তাবদা ফমুং ২,০০০গী ফেসিলিটি অদুগী অচৌবা সেক্সনশিং মাঙ তাকহন্দুনা দ্রগ রিহেবিলিটেসন হোস্পিটাল অদুদা এটেক অদু চথরকখিবনি হায়খি।

গভর্ণমেন্টনা হায়রিবা ৰাফম অদু য়াখিদে অমসুং কাবুলদা হোস্পিটাল অমত্তদা টার্গেট তৌখিদে হায়রদুনা শীরিবা মরাল অদু য়ূমফম য়াওদবনি হায়রি।

অফগান গভর্ণমেন্ট ৰাঙাংলোই জ মিন হুল্লাহ মুজাহিদনা হোস্পিটালশিং অমসুং সিভিলিয়ান সাইটশিংদা টার্গেট তৌদুনা অকি-তুজুং চত্থনবা হোৎনবগী পাকিস্টানদা মরাল শীরদুনা এটেক অদু কন্দেম তৌখি।

পাকিস্টানি মিলিটরি রেজিমনা অমুক্কা হন্না অফগানিস্টানগী এয়ারস্পেস থুগাইরকখ্রে অমসুং কাবুলদা দ্রগ রিহেবিলিটেসন হোস্পিটাল অমদা টার্গেট তৌদুনা লায়েং চত্থরিবা অনাবশিং শিখ্রে অমসুং শোকখ্রে হায়না এক্সতা মহাক্না পোস্ট তৌখি।

পাকিস্টানগী ইনফোর্মেসন মিনিষ্টর অতাৱুল্লাহ তারারনা কাবুলদা অমসুং নোংপোক থংবা প্রোভিন্স ননগরহারদা মিলিটরি ইনস্টোলেসনশিংদা টার্গেট তৌরদুনা পাকিস্টানি মিলিটরিনা প্রিসিজন এটেকশিং চথখ্রে হায়খি।

কাবুলদা মফম অনিদা টেক্নিকেল সপোর্ট ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং এম্যুনিসন ষ্টোরেজ ফেসিলিটিজ থুগাইখ্রে হায়না মহাক্না হায়খি।

হোস্পিটাল ওফিসিয়েল অমগী ৱারোল পল্লদুনা বি বি সিনা দ্রগ লায়েংফম হোস্পিটাল অদুদা মীওই ২,০০০ রোম লায়েংলি হায়খি। এটেক অদু কন্দেম তৌরদুনা এক্সতা থাগৎপা পোস্ট অমদা অফগান গভর্ণমেন্ট ৰাঙাংলোই মুজাহিদনা ঐখোয়না ক্রাইম অদু কন্না কন্দেম তৌই অমসুং অসিগুম্বা থবক অসি য়ান্নরিবা প্রিন্সিপল পূন্নমক্কী মায়োক্তনি অমসুং হ্যুমেনিটিগী মথক্তা চত্থবা ক্রাইম অমনি হায়খি।

# মোজতবানা সিজফয়ারগী ৱাফম ককথৎখ্রে, য়ু এস, ইজরেলগী মথক্তা লমন খুন্নবা খল্লি



টেহরান, মার্চ ১৭ (এজেন্সি) :

ময়াই লেপ্পা লৈবাক অনিনা টেহরানদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা ওইথোকপা য়াবা সিজফয়ার অমগী নৎত্রগা উংখৎনবা হুন্থহন্নবগী ৱাফমশিং অদু ইরানগী সুপ্রিম লীদর মোজতবা খামেনৈনা ককথৎখ্রে হায়না সেনিয়ার ইরানিয়ান ওফিসিয়েল অমনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা হায়খ্রে হায়না পাউগী এজেন্সি রোইটরসনা ফোঙদোকখ্রে।

খামেনৈগী অহানবা ফোরেন পোলিসি সেসনদা য়ু এস অমসুং ইজরেলগী মথক্তা লমন খুন্নবগী মহাক্কী ফিরেপ য়ান্না কল্লি অমসুং হকচিল্লি হায়না ওফিসিয়েল অদুনা হায়খি। অদুমওইনমক সেসন অদু খামেনৈ মশামক শরুক য়াখিব্রা হায়বদি মহাক্না ময়েক শেংনা হায়খিদে।

খামেনৈনা মহাক হাপখিবা মতুং মহাক্কী অহানবা ষ্টেটমেন্টতা লান অসিদা শিখিবশিং অদুগী লমন খুন্নবা ৱাশকখি অমসুং ইরাননা মখোয়গী য়েক্নবা অদুদগী কম্পেন্সেসন ফংগদবনি হায়খি।

মদু করিগুম্বা তৌ হায়বা য়াদ্রবদি ইরাননা মখোয়গী এসেটশিং লৌশিনগনি নৎত্রগা মদুগা চপ মান্ননা মখোয় অদুবু মাঙ তাকহনগনি হায়না মহাক্না হায়খি।

মসিগী লমন খুম্বা অসিগী অকক্নবা চাং অমা হৌজিক ফাওবদা মওং অমা উখ্রে। অদুবু মদু মপুং ফানা ফংদ্রিবা ফাওবা কেস অসি ঐখোয়গী খ্বাইদগী মরুওইবশিং ওইনা অদুমক লৈখিগনি হায়না মহাক্না হায়খি। মাষ্টিয়রশিং অদুগী ঈগী লম্মন খুম্বা ঐখোয়না কৈদৌঙৈদা কাউরোই হায়না মহাক্না হায়খি।

ফেব্রুৱারি ২৮দা য়ু এস ইজরেলি এয়ার এটেকনা মহাক্কী মপা হাৎখিবা অদুদা মহাকসু শাথিনা শোকখিবা অদুগী মতুং মেদিকেলগী লায়েং চত্থনবগীদমক খামেনৈ রসিয়াদা পুখিরম্বা য়াই।

মশাগী চহী ৫৬ শুরবা ক্লেরিক অদু রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিননা মশামক্না মেদিকেলগী লায়েং পীনবা খূৎ লাম্লোক্লকখিবা মতুং মোস্কোদা চৎখ্রে হায়না কুৱাইদকী পাউচৈ লৈ-জারিদাগী পাউ অমনা হায়খি।

প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিননা ইরানগী প্রসিদেন্ট মাসুদ পেজজকিয়ানদা টেলিফোন তৌরকখিবা মতুং শগোলশেল নুমিৎতা খামেনৈ রসিয়াগী মিলিটরি প্লেন অমদা মোস্কাদা পাইখ্রে হায়না পাউ অদুনা হায়খি।

অদুবু রসিয়ানা পাউ অদু চুম্মি হায়য়ু য়াখিদে নৎত্রগা পাউ অদু লাল্লিসু হায়খিদে।

টাস ন্যুজ এজেন্সিদা ৱা ঙাংবদা রসিয়াগী প্রসিদেন্সিয়েল প্রেস সেক্রেটরি দমিট্রি পেসকোবনা অসিগুম্বা পাউশিংগী মতাংদা ঐখোয়না কৈদৌঙৈদা মত পীদে হায়খি। লৈবাক্কী অনৌবা সুপ্রিম লীদর মুজাতবা খামেনৈনা মাগী অশোকপশিংগীদমক লায়েং লৌরি হায়বগী পাউশিং অদু অনেবা সাইকোলোজিকেল ৱার অমনি হায়না রসিয়াদা ইরানগী এম্বেসেদর কাজেম জলালিনা হায়খি।

ইরানগী লুচিংবশিংনা চেনবগী অমসুং সেল্টরশিং লোৎপগী মথৌ তাদে। মখোয়গী মফমদি মীয়ামগা লোয়ননা ষ্ট্রীটশিংদনি হায়খি।

# ইরান দ্রোনশিংনা বাঘদাদতা য়ু এস এম্বেসি, হোটেল, ওইলফিল্ড এটেক তৌখ্রে



বাঘদাদ, মার্চ ১৭ (এজেন্সি) :

ইরাককী কোনুং বাঘদাদতা ঙসি অঙনবদা দ্রোনশিংনা য়ু এস এম্বেসি অমসুং হোটেল অমা টার্গেট তৌখ্রে।

খা থংবা ইরাকতা লৈবা মজনুন ওইল ফিল্ড অদুদসু এটেক তৌরকখ্রে হায়না ইরাককী আর্ম ফোর্সেসকী কম্মান দর ইন চীফকী ৱাঙাংলোই অদুনা ফোঙদোকখ্রে।

বাঘদাদতা লৈবা য়ু এস এম্বেসিদা টার্গেট তৌনবা দ্রোন ৪না হোৎনখি হায়না মমিং পন্দবা সেক্যুরিটি লিখুল অমনা সফাক ন্যুজ এজেন্সিদা হায়খি হায়না অনাদোলু এজেন্সিগী পাউনা হায়খি।

ইরাককী এয়ার দিফেন্সশিংনা দ্রোন পূন্নমক অদু মখোয়গী টার্গেটশিং য়ৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা থৎখ্রে অমসুং কাপথখ্রে হায়না রিপোর্ট অদুনা মখা তাখি।

দ্রোন ১ অবু নুৱাজ ষ্ট্রীটতা তাখি, অতোপ্পা অমনা গ্রীন জোন মনুংদা লৈবা এম্বেসি অদুগী মনাক্তা তাখি।

অল জজীরাগী রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না রোকেটশিংগী অচৌবা ৱেব অমনা বাঘদাদ এয়ারপোর্ট মনাক্তা লৈবা আর্মেরিকা মিলিটরি ফেসিলিটি অমদা পানখি। মসিগী মমাঙদা সাউদি অরাবিয়াদা মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সনা কিংদম অদুগী নোংপোক থংবা শরুক্তা অনমেন এরিয়েল ভেহিকল কয়ামুক ন্যুট্রেলাইজ তৌখ্রে হায়খি।

মরকসিদা য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসনা ফুজাইরাহ ওইল জোন অমসুং শাহ গ্যাস ফীল্ডদা দ্রোন এটেকশিং চত্থখিবগী মতুং তোঙান তোঙানবা মৈ চাকখিবগী মরমশিংদগী মখোয়গী এয়ারস্পেস মতম খরগী ওইনা থিংজিনখি।

ৱাংনা ওমখৎনরক্লিবা ফিভম অসিদা য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসকী প্রসিদেন্ট মোহম্মেদ বিন্দ জায়েদ অল নহয়াননা ঙরাং রিজনেলগী ওইরক্লিবা ফিভম অদু রিভ্যু তৌনবা সাউদি অরাবিয়াগী প্রিন্স মোহম্মেদ বিন সলমান বিন অবদুল্লাজিজ অল শৌখ, ক্রাউন প্রিন্স অমসুং প্রাইম মিনিষ্টরগা টেলিফোনদা ৱারী শান্নখি হায়না গল্ফ ন্যুজনা হায়খি।

# নুমিদাংগী এটেকতা ইরান সেক্যুরিটি চীফ লারিজানি শিখ্রে: ইজরেল



জেরুসালেম, মার্চ ১৭ (এজেন্সি) :

ইজরেলি মেদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না, ইরানগী মথক্তা ইজরেলনা ঙরাং নুমিদাং চত্থখিবা এটেকশিংদা টার্গেট তৌখিবশিং অদুগী মনুংদা ইরানগী সেক্যুরিটি চীফ আলি লারিজানি য়াওখ্রে।

ইরানগী ইষ্টাব্লিসমেন্টতা মকোকথোংবা লুচিংবা অমা ওইরিবা লারিজানি এটেক অদুদা শিখ্রেব্রা নৎত্রগা শোকখিব্রা হায়বা ময়েক শেংদনা লৈরি হায়না টাইমস ওফ ইজরেলগী পাউ অমনা হায়রি।


ইজরেলগী দিফেন্স মিনিষ্টরনদি লারিজানি শিখ্রে হায়খি। অদুমওইনমক ইরাননা পাউশিং অদুগী মতাংদা হৌজিক ফাওবা মত ফোঙদোক্লক্ত্রি। ইরানগী নেসনেল সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী সেক্রেটরি ওইরম্বা হান্নগী ন্যুক্লিয়ার নেগোসিয়েটর অমা ওইরিবা লারিজানি ইরানগী লৈঙাক মনুংদা খ্বাইদগী শক্তি চেনবা লুচিংবশিংগী মনুংদগী অমনি হায়না পাকশন্না লৌনৈ।

করিগুম্বা মহাক শিরে হায়বদু অচুম্বা ওইবা তারবদি সুপ্রিম লীদর অয়াতোল্লাহ আলি খামেনৈনা লান অসিদা অহানবা নুমিৎতা শিখিবা অদুগী মতুং হাৎখিবদা খ্বাইদগী সেনিয়ার ওইবা ইরানিয়ান ওফিসিয়েল অদু লারিজানিনা ওইরগনি। মহাক আলি খামেনৈগী খ্বাইদগী নক্নবা এলাই অমনি।

ইরাই নুমিৎতা টেহরানদা কুদ দে রেল্লিশিংদা মহাক মীয়াম মরক্তা অরোইবা ওইনা উখি। মদুগী নোংমগী মতুং য়ু এসনা ইস্লামিক রিভোলুসনরি গার্দ কোরগা মরী লৈনবা লুচিংবা ১০গী লিষ্ট অমগী শরুক ওইনা লারিজানি য়াওনা সেনিয়ার ইরানিয়ান মিলিটরি অমসুং ইন্টিলিজেন্স ওফিসিয়েলশিংগী মতাংদা পাউ পীরকপগীদমক দোল্লর মিল্লিয়ন ১০গী রিৱার্দ অমা লাম্থোকখি।

য়ু এসনা চত্থখিবা এটেকশিং অদুগী ফলশিং অদু হৌজিক ফাওবা শেংনা লেপ্পা ঙমদবগা লোয়ননা বাসিজ রেজিষ্টেন্স ফোর্সকী মকোক ঘোৱেজা সোলৈমানি অমসুং অতৈ সেনিয়ার বাসিজ লুচিংবশিংদা এটেকশিং অদুনা টার্গেট তৌখি হায়না ইজরেলগী মেদিয়া আউটলেট কয়ামরুন্না হায়খি। অদুমওইনমক মিলিসিয়া লুচিংবগী শিবগী ৱাফম অদু ইরাননা য়াখিদে।

মরকসিদা ইরানগী ষ্টেট মেদিয়া, প্রেস টিভিনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পপু চৈখিবা লারিজারিগী ষ্টেটমেন্ট অমা থোকখ্রে।



## Crossword # 984

Across
1. It may be found in runes
6. Inbox clogger
10. Fitness facilities
14. Political sphere
15. Sheltered bay
16. Saintly sign
17. Typesetting units
18. Space
19. Words that pass bills
20. Start of some advice to chew over
23. Fed. agency renamed in 2003
24. Works on a wall?
25. End to Taiwan?
26. Heel
29. FAA ally
31. Tie tightly
33. "Groovy!"
35. Second-largest land animal, briefly
37. Retreat from the heat
38. Part 2 of the advice
42. Concern of 23-Across
43. Rattle the rafters
44. Purpose of many vacations
45. Late-night TV name
46. Totally absorbed
50. Plastic piping
51. "I approve the motion!"
53. Pharmaceutical pioneer Lilly
55. Word with spoon or cup
56. End of the advice
60. Summit
62. Foxx of TV and film
63. Like some wits or cheeses
64. Wall Street signal
65. Tennis champ Nastase
66. Cut into bits
67. Holiday happening
68. Took in visually
69. Discontinued

Down
1. Mealtime face-saver
2. Prepare, as incoming students
3. Judge's break
4. Jiffy
5. Student's safety net
6. Close examination
7. Deficient
8. Professed
9. Office missives
10. Marine fish prized for its roe
11. Gets without charge?
12. Heady brew
13. Help wanted notice?
21. Path of Discovery?
22. "The Bathers" painter
27. Has one's nose to the grindstone
28. Spanish couple?
30. Distinct variety of a species
32. Slipknot formation
34. Not merely ready
36. English king who won at Agincourt
38. Certain Eastern European
39. Gossipy newsman on early radio
40. Like some advice
41. Greenbacks
42. Leading Dada painter
45. Recently
47. Imminent
48. Longtime tenor, Jan
49. Pounded down firmly
52. Uncanny
54. Knocker's reply, perhaps
57. Vehicle's connecting rod
58. Patsy created by Jim Davis
59. Flimsy
60. Pecs neighbors
61. Common legume

Puzzle Grid

পাউখুম লমায় ৯ দা ...

# রসিয়ান সেটিলাইট ইন্টিলিজেন্সনা ইরান এটেকশিংগী মায়ওন তাক্লি

ৱাসিংটন, মার্চ ১৭ (এজেন্সি) : দ ৱাসিংটন পোষ্টকী মতুং ইন্না য়ু এস ৱারসিপশিং অমসুং এয়ারক্রাফকী চপ চাবা মফমশিং অদু য়াওনা মরুওইবা ইন্টিলিজেন্স পীদুনা রসিয়ানা ইরানদা মতেং পাংলি হায়না সেনিয়ার আমেরিকান ওফিসিয়েল ৩না ফোঙদোকখ্রে।

পাউ অদুগী মতুং ইন্না, হৌজিক থুনা পাক চাওথোরক্লিবা লান অসিদা মথৌতাবা ইন্টিলিজেন্সকী কেপাবিলিটি লৈবা, আমেরিকাগী মরুওইবা ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই পায়বা কম্পিটিটরশিংগী মনুংদগী অমনা হৌজিক য়াওশিল্লকখ্রে হায়বা উৎলি।

রসিয়াগী সেটিলাইটশিংগী নেটৱার্ককী খূৎথাংদা খোমজিনবা ইন্টিলিজেন্স অদু পীদুনা মখোয়না ইরানগী লান অসিদা তেংবাংলি হায়না থাজনৈ। মসিদা আমেরিকাগী লান্মী ট্রুপশিং, জহাজশিং অমসুং এয়ারক্রাফকী চখোক চৎশিনগী মতাংদা ইমেজরি অমসুং দাটা য়াওরি হায়না লিখুনশিং অদুনা সি এন এনদা হায়খি।

য়ুক্রেনদা রসিয়ানা শিজিন্নবগীদমক টেহরাননা হন্দক দ্রোন অমসুং মিসাইলশিং পীবগী থৌদোক লৈখ্রে। হায়রিবা মতম অসিমক্তদা চাইনানসু ইরানদা শেলগী তেংবাং, স্পিয়ার পার্টশিং অমসুং মিসাইল কম্পোনেন্টশিং পীনবা থৌরাং তৌরম্বা য়াই হায়না সি এন এনগী রিপোর্ট অদুনা উৎলি।

য়ু এস ট্রুপ লিশিং কয়া অমসুং এয়ারক্রাফ চা কয়া শিজিন্নবগা লোয়ননা লান অসি পাক চাওবা হেনগৎলক্লি। অদুমওইনমক মসিগী অরোইবা মশক অদু স্পেসতগী ফংবা ইন্টিলিজেন্সতা লৈরবা য়াই। লৈবাকশিংনা সেটিলাইটশিং অমসুং রিয়েল-টাইম দাটাদা হেন্না তাংজরকপগা লোয়ননা লান অসি করন্না শোক্লগনি অমসুং করি ফিভম ওইরকপা য়াই হায়বদু য়েক্নবগী মুভমেন্ট অদু ট্রেক তৌবা অমসুং খঙবা ঙম্বদা লৈরে।

# নাইজেরিয়াদা সুইসাইদ এটেকশিংদা মীওই ২৩ শিখ্রে



মায়দুগুরি, মার্চ ১৭ (এজেন্সি) :

অৱাং নোংপোক থংবা নাইজেরিয়াগী সিটি মায়দুগুরিদা সুইসাইদ বোম্বরশিংনি চিংনবশিংনা বোম কয়ামরুম পোকখায়হল্লকপদা য়ামদ্রবদা মীওই ২৩ শিখ্রে অতৈ ১০০ হেন্না শোকখ্রে হায়না পুলিসনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

নেংমাইজিংগা নিংথৌকাবগা লোন্নবা নুমিদাংদা মিলিটরি পোষ্ট অমদা চত্থরকখিবা এটেক অমগী মতুং নিংথৌকাবগী নুমিদাংৱাইরমদা থোকখিবা পোকখায়বশিং অদু জিহাদিষ্টশিংনা ওইগনি হায়না ওথোরিটিজনা মরাল শীখি।

বোকো হরামদগী ফাইটরশিং অমসুং য়েংথিনবা জিহাদিষ্ট গ্রুপ ইস্লামিক ষ্টেট ৱেষ্ট আফ্রিকা প্রোভিন্স (আই এস দব্লিয়ু এ পি)না হন্দক অৱাং নোংপোক থংবা নাইজেরিয়াদা এটেকশিং কনখৎলকখি।

লৈবাক অসিদা খালিফেট অমা লিংখৎনবগী মখোয়গী চহী ১৬ শুরবা কেম্পেনদা মীওই লিশিং ৪০ হেন্না শিখ্রে অমসুং লাক্ষ ২০ লোম লাঞ্জেন্নহনখ্রে।

এ এফ পি রিপোর্ট অমনা নিংথৌকাবগী নুমিদাংৱাইরমদা সিটি হোস্পিটাল অদুদা নিংথৌকাবগী পোকখায়বশিং অদুগী লায়েংনবা ঙাইরিবা অশোকপা কয়া, লোয়ননা মপান্দদা নাকলগী লম্বীশিংদা সিটশিংনা কুপশিনবা হকচাং কয়া উখি।

শোক্লবা মফমশিং অদুদা মপুং ফানা মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিল্লে অমসুং মায়দুগুরি অমসুং মসিগী অকোয়বদা পুলিস ফোর্স থম্বা হেনগৎখ্রে অমসুং সর্ভেলেন্স কনখৎখ্রে হায়না লৈবাকপোকপগী অয়ুক অঙনবা ষ্টেটমেন্ট অমদা পুলিসনা হায়খি।

# ইরানদা চত্থরিবা লানদা য়ু এসনা শিজিন্নরিবা বি–১বি বোম্বর: বোম কেজি ৩৪,০০০ পুবা ঙম্মি, পুংদা কিমি ১৪৫০ য়াংনা পাই, মিটর ৯,০০০গী মথক্তা ওপরেট তৌবা ঙম্মি





লন্দন, মার্চ ১৭ (এজেন্সি) :

ইরানগী মথক্তা নোংথক্তগী এটেকশিং চত্থনবগীদমক য়ুনাইটেদ কিংদমগী আর এ এফ ফিয়ারফোর্দতা বি–১বি বোম্বর ১২ রোম থল্লি। মসি য়ু এস এয়ারফোর্সকী মিসন–কেবেবল বি–১ লেন্সর ফ্লীটকী তঙ্খায়দগী হেল্লি।

বোম কেজি ৩৪,০০০ ফাওবা পুবা ঙম্বা বি–১বি লেন্সরশিং ইরানগী মথক্তা চত্থরিবা য়ু এস –ইজরেলগী অপূনবা লান ওপরেসন ইপিক ফ্যুরি শৌগৎতুনা গল্ফকী মথক্তা ওপরেট তৌরি হায়না নিংথৌকাবা নুমিৎতা য়ু এস সেন্ট্রেলর কম্মান্দনা ফোঙদোকখ্রে।

ইরানদা এটেক তৌনবা য়ু কেনা মখোয়গী এয়ারবেজশিং য়ু এসতা শিজিন্নবা য়াহনখিবা মার্চ ৬তগী হৌনা গ্লোকেষ্টরসিয়ার এয়ারবেজদা প্লেনশিং অদু থম্বা হৌখিবনি। বি৫২ ষ্ট্রেটোফোর্টেস এয়ারক্রাফ ৩সু থমখ্রে। স্পীদ, রেঞ্জ অমসুং বোম ময়াম অমা পুবা মরমদগী বি–১বি লেন্সরবু য়ু এস লোং–রেঞ্জ বোম্বর ফ্লীটকী য়াঙলেন শরু অদুনি হায়না খঙনৈ।

মসিগী লানগী প্লেন মখল অসি ইরাকতা ১৯৮৮তা লাম্থেংনবদা অহানবা শরুকয়াবা উখ্রে। মদুগী মতুংদা ১৯৯৯দা নেটোগী ওপরেসন এলাইট ফোর্স, ২০০১গী মতুংদা অফগানিস্টানগী লান অমসুং ইরাক ৱার অদু য়াওনা অচৌবা লানশিংদা শিজিন্নখ্রে।

অশেংবা ওইনদি প্লেন অসি ন্যুক্লিয়ার খূৎলাইশিং পুনবা দিজাইন তৌখিবনি, অদুবু য়ু এসনা মদু ১৯৯৪দা লৌথোকখ্রে। ইন্টরনেসনেল আর্ম কন্ট্রোল এগ্রীমেন্টসশিংগী মখাদা ২০১১ ফাওবগী মনুংদা মদু মপুং ফানা শুপ্পগী কনভেন্সনেল ৱিপনশিং পুনবা ওন্থোকখ্রে।

মসিনা শুপ্পগী মিসন অমদা তোঙান তোঙানবা টার্গেটশিংদা এটেক তৌবা য়াহন্দুনা খূৎলাই কেজি ৩৪০০০ রোম পুবা ঙম্মি।

এদভান্স রাদর অমসুং একুরেট টার্গেটিংগীদমক নেভিগেসন সিষ্টেমস পাল্লি। পাইখৎপা অমসুং পাইথরকপা মতমদা মাঙলোমদা মুভ তৌবা ভেরিয়েবল –স্বিপ ৱিংস পাল্লি। অদুগা হায়–স্পীট ফ্লাইট মনুংদা ৱিংশিং অদু মনিংলোমদা মুভ তৌই। দিজাইন অসিনা স্পীদ, ষ্টেবিলিটি অমসুং মেনোভরেবিলিটি হেন্না ফগৎহল্লি।

বি–১বি লেন্সরনা পুংদা কিলোমিটর ১৪৫০ য়াঙনা পায়বা ঙম্মি অমসুং মিটর ৯,০০০গী মথক্তা ওপরেট তৌবা ঙম্মি। ইন্টরকন্টিনেন্টেল রেঞ্জনা লোং–দিষ্টেন্স ষ্ট্রাইক মিসনশিং ঙমহল্লি। পেট্রোল অমসুং টার্গেট মোনিটরিংগীদমক মতম শাংনা পাইদুনা লৈবা ঙম্মি।

য়েক্নবগী রাদর দিটেক তৌবা অমসুং জাম তৌবা ঙম্বা ইলেক্ট্রোনিক সিষ্টেম পাল্লি।

বি–১বি বোম্বর অসিনা স্পীদ, পেলোদ, দিষ্টেন্স, টাইম টু ক্লাইমগীদমক ফেদরেসন এরোনোটিক ইন্টরনেসনেলনা শকখঙবা ৱার্ল্ড রেকোর্দ ৬১ পায়রি।